ৱারী ককনাউ

# ময়ামগী নাওচা

**নুমিদাংগী** পুং ১০ মুক তারকপা মতমনি। তোমচা অমদি নাওচা লৈবাক্তা থাবা ফক অমদা মোম্পাক ফিদ্দক শেগাইবা অমা থারগা উ-মকক অমনা মোন শাদুনা খাঙলগা তূমীন্নে। তোমচাদি উইরোন-শারোন তূমথবা হৌরুরে। নাওচানা ফোন্দা ঙুরুং-ঙুরুং ঙংদুনা নাসোন পীক্লা ঙাওবদু তারকপদা মমিৎতি পাংদনা মুন্না করি ৱারিনো হায়না তারি।

"হেল্লো, চাক চারবো? ...হা! চারেবা? কনানা থোংঙিনো, নঙনা থোংঙিরো? ... ও অদুদি হাওরমগনি, চাবু চনীংঙি, তিনবু চুংইনে... ফরেনে ...অঙাংশিংদি তূমখ্রবো?"

নাওচানা তোমচাগী ফোন্দু পায়রগা মনাকোং ময়াদা থম্মগা লোংনা হিপ্পগা য়াম্না নাসোন পীক্লা ৱারী শানবনি। থংননা তূল্লি-সারি তৌরবা তোমচা নাওচানা ফোন্দা ৱারী শাবদু তাবদা, ঈ কারকই। ফুক হৌগৎলগা নাওচাদগী ফোন্দু তাপ লাউনা মুল্লি।

"কনাদনো নঙনা তৌরি ফোন্দো, অঙাং নতিক নত্তনা নমাইদুদা খূৎপাক্লা থাজিল্লুরা?"

নাওচা তুমিন লৈ ৱা অমত্তা খুমদে, মমায় লৈথোক্লগা কৈমতা তৌদবা শাদুনা লৈ। তোমচানা ফোন্দু হাংদুনা য়েংই। অদুগদি কনামত্তদা তৌবা ওইরমদ্রে। মানা তৌশিন্নবা ওইরম্মী। তোমচা খল্লুরগা শুম নোক্লিংঙক, শুম নোক্লিংঙক ফাক-ফাক নোকথোরক্লে। নাওচাসু নোকপা য়াওশিল্লকই।

"কৈগীনো নঙনা অদুগুম্বা ৱাদু ঙাঙইদো, মতুং মনাও অদুমাইনা হায়নুকো, মতুং হায়রদি নঙ নয়ূমদা চৎহনখ্রনি খঙব্রা?" তপ তাখে চৈথোকউরবা তোমচানা নাওচাদা ঈংথরগা হায়রকপনি। তোমচা মমায়দু লৈথোক্লগা চেপ্পা ফৈজুপ চিংখৎতুনা অমুক তূমথনবা কন্না হোৎনরি। মখোয় ৱাবদা লোইরবনি। অয়ূক্তগী শুংলেপ লেপ্তুনা থবক শূবদা মশাদু পোপ তারবা ঙাক্তনি। থবক থাবা কুইদ্রি।

ঙাইহাক লৈরগা নাওচাদু হিক-হিক কপ্পকই। তোমচানা লৈশিল্লক্লগা নাওচাদু কোনশিল্লগা হংই,

"কৈদৌরে, করিগী কপ্পিনো, নাওচা, সে কৈদৌরগে"

"কৈসু তৌদে তামো' নাওচানা কপঙাঙ খুল্লকই।

নাওচা অঙাংনি। চহী ১০ মুক্তং ঙাইরিবনি। উপাই লৈতবদগী ৱার্কশোপ অদুদা থবক শূবা য়াওরবনি। মহাক্কী অপোকপী মমা মাবু পোকপদা লৈখিদ্রে। মপানা মমাগী ফিরোই শোন্দ্রিঙৈদা নুপী অতোনবী অমা পুশিল্লত্তুনা লৈমিন্নরি। নাওচা লাইরিক তমহল্লক্তে, চহী ৫ মুক শুরকপদা বোর্দিং অমদা থম্মীবনি হায়দুনা ওর্ফান হোম অমদা থল্লকপনি। ওর্ফান হোম অদুদা মহাক লৈবা য়াম্না হৈনখিদে। তৌফম খঙখিদে। অদুনা নোংমা চেল্লক্লগা ৱার্কশোপ অসিদা থবক শূবা খিত্তা য়াওজগে হায়দুনা য়াওরবনি। ময়াম্না মাগী তোরারিংবা মতৌ অদুদা লুনা তৌবী। মরু ওইনা তোমচানা মাবু মনাওনুপা অমগুম্না নুংশিনা লোয়নবী। মানা শূবনবু শেল কয়াম ফংগনি হায়বগে। অদুবু মহাকপু অদুম থম্বী, ময়ামগী পাখোন শীফম ওইনা। ৱার্কশোপ মপূনদি চাবা তিংই অঙাংসি চৎহনখো হায়না হায়বনি। অদুবু তোমচানা মাগী ৱারী খঙবদগী কদাইদা লৈরুদুইনো খনবদা মাগী হাকন চঙখি। মাবু চৎহনখ্রদি ঐসু ৱার্কশোপ অসিদা য়াওরোই হায়না হায়বদগী ৱার্কশোপ মপূনা মাবু নমদুনা থম্বীবনি। ঙসাই নুংথিলদু নাওচাগী মমানি হায়বা অমা শেল লৌবা লাক্লম্মী। ৱার্কশোপ মপূনা লুপা ২০০ খক পীখি। মতুংদা লাক্কনু হায়না চৈখিবা তাহৌই। পীকখ্রবা মমা মপাগী মথাদা নাওথি শাদুনা লৈজগদবা নাওচাবু থবক শুরগা শেল তালহনবা, অদুগা ফংজরকপা অপীকপা শেনফম অদু লৌরগা মখোয়না চাগনি হায়না খল্লিবা মমা মপাদুগী খল্লুরদি লোগী মতুং ইন্না চৈরাক ফংফম থোকই। অদুবু কনানসু অদোমদা খল্লুদে।

"সে করিগীনো নঙনা কপ্পীবদো, ঐনা চৈবগী শাওরিরা?" তোমচানা নাওচাবু চেৎনা কোনবীদুনা মকোক্তা নানবীদুনা হংই।

"তামো অদুগী নত্তে, তামোদি ঐগী ইয়াম্বনি, তামোদা ঐ শাওদে। তামো ঐবু য়ূমদা চৎলু হায়বদু হায়বীগনু, ঐনা হয়েং চাউরগা তামোবু নুংঙাইহনগনি। ঐগী কনাসু লৈতে। ইপাদগীসু তামোনা হেন্না নুংশি, তামো ঐবু মফমসিদগী চৎলো হায়বদু হায়বীগনু" নাওচা হন্দক্তি মখোল থোক্লা কপ্পকই।

"সে, সে কপকনুসে, ঐ মতুংদা অমুক হায়ররোই, তূম্মোসে, হয়েংদি থবক য়াম্না য়াম্মী", হেন্না চেৎনা কোনশিন্দুনা তোমচানা নাওচাবু থেম্বীরি। তশেংবদি নাওচাদু ৱার্কশোপতা থবক শূনা শূনা মমা মপা ওইবশিংনা মচাবু মখূৎ শমদুনা স্কুল চৎনবা পুরকপা, ভেনদা তোংহনখিবা, মফি নান্না নান্না শেৎহন্দুনা মচাবু পুবিবা ময়ামদু উরুবদা মাসু লাইরিক তম্বা চৎনীংই। মমাদা মপাদা ওইনজদুনা চৎলিবা ময়ামদু উরুরগা পীক্লিবা মহাক্কী ৱাখলদু পুবা ঙমখিদে। অদুনা তোমচাগী ফোন্দু পায়দুনা কনামত্তদা তৌদ্রবসু মহাক্কী চরাংনবা ৱাখলদু কোক্লবা হোৎনজরিবনি।

পীক্লিবা নাওচাদু ময়ামগী খাইফমনি। মাবু ঈশৈ শকহনবা, ৱা ঙাঙহনবা, অঙাং ওইবা মাগী মতৌদু উরগা ময়ামগী পোত্থাফম ওইবা কয়া অদুনা অঙাং অমা ওইবগী নেচরদগী হেন্দোক্তুনা ময়ামগী পেন্নবা তৌবদা কবোক ওইদুনা লৈরে। ময়াম্না মাগী মতৌদা ৱা-ৱা নোক্তুনা পেন্নরবসু, মথন্তা লৈবা, তূম্বা চঙবা মতমদদি মমিৎ উইশিল্লু য়াদে। মহাক্কী ৱাখলদা মাগী পুন্সিবু করিনো খনবদা অঙাওবগুম লৈরি। অদুননি ঙসি নাওচানা অঙাং মতিক নত্তনা ফোন্দা ৱারী শারিবা। হৌজিক ফাওবদি নাওচা ময়ামগী ওইরি। তুংগী পুন্সিদা করি ওইরক্কনি কনানা হায়বা ঙমগনি।

– *নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

মতম মতমগী ৱাফম

# অঙাং ওইরিঙৈগী লমতা থাংজা

ইংরাজি মার্চ হায়বা থাসি ঐখোয় মৈতৈলোন্দা লমতা থানি। থাংজা নুমিৎ অসিবুনা সেটরডে হায়বনি। লমতা থাংজা হায়রগদি হৌজিক্কী মতমদা **সেটরডে মার্চ** হায়রগনি। হৌজিক মতমগী অঙাংশিং ঐখোয়না অঙাং ওইরকপগী মতৌগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নরে। হৌজিক্কী অঙাংশিং য়াম্না শিংঙি। ঐখোয় শিংবা কুইদ্রি। ক্লাস টেন তমলকপা মতম ফাওবা পঙলি। কলেজ তমলকপদা খোংগ্রাউ অশাংবা (লোং পেন্ট ) শেৎপা হৌই। খুদাংগী ঘড়িসু কলেজ তমলকপা মতমদা শিবনি। ক্লাস টেন কাবা মতমদা শেৎলিবা খোগ্রাউ হাফপেন্ট অদু ইঞ্চি ১৪ চোল্লি। য়াম্না কৌখ্রবা খোগ্রাউনি। খুকউ মথক্কী ফৈবাক্কী তোংশাশিং (Vastus lateralis muscle, Rectus femoris muscle) উননবা শেৎপনি। খোঙ্গ্রাও অকৌবা শেৎপদা ইকায়দে খোঙ্গ্রাও অশাংবা শেৎপদদি ইকায়খি। অঙাং ওইরিঙৈমক্তি নত্তে, নুপামচা ওইরিঙৈদা মিৎতা য়াম্না তোয়না উখিবা খরা লৈখি। অতিয়াদা উরোক পরেং পরেংনা নুমিদাং লাপ্পা চাকতারুবগী মকোন তম্না হল্লকপা। য়াচঙলকপগী মকোন চঙদ্রিঙৈ শেন্দ্রাংশিংনা মনা পুংবা উপালশিংদা চিক চাক, চিক চাক খোংদুনা লাংবা, তেনৱা উচেক্লা শঙ্গু শঙ্গু পাইরকপা। পুখ্রিদা ঙামু মহা থাবা, পুখ্রি ময়াইদা ঙাশাং অমদি ফাবৌঙানা পুল্লপ পুল্লপ চাবা, মোংলবা। ইঙ্খোলদা য়ুংবা ৱাশাগী চৈ মতোন্দা হেলিকোপ্টর মানবা মকোক চাওবা চারাংনা তোংলবা। হঙ্গাম মপাল অমদি হৱায়থারাক মপালদা হয়িংখোই অমদি মচু মচুগী কুরাক্লা তোংলবা মিৎতা হৌজিকসু মথং মথং উরি।

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা তৎতনা তাখিবা অমনা- ক্কাক্লা ঙানু মচা অমদি সাপোন চেনখিবগী পাউনি। ইমানা তৎতনা হায় **সাপোন্দু খুদেংনা উপলম্মু** । মহৌশানা লমতা থা য়ৌরকপসি লৈকাইগী, য়ুমগী পুখ্রিমচাশিং ঈশিং ইকং কংবা উই। ইঙ্খোলদা হৈখা মপাল, চুমব্রৈ মপাল, হৈনৌ মপাল চবুল চবুল য়াম্না শাৎপসু উখি। নুংথিলগী মতমদা নুংশিৎ য়াম্না শিৎলি। চীংদা লানমৈ থাখিবগী তাঙ্গোইনা পাইরক্তুনা শুম্মাংদা তারৈ। উনা ৱানুসু ইকেন কেল্লি, উফুল থাংবা নুংশিৎ শিৎলি । অতিয়াসি ইশেং শেংদে। লৈচিল মপৈ মপৈ পাইরকই। নুংশা ফজনা মপুং ফানা শাদবগুম তৌই। লৈচিলনা অমুক অমুক খঞ্জিল্লি। লমতা থা য়ৌরকপদা নুংথিলগী মতমদা নুমিৎনা ঙাংলি ঙাংলি তৌই। নুমিৎনা ঙাংলি ঙাংলি তৌখিববু নুমিৎ মশা নাবনি হায়নৈ। ঐখোয়সু হকচাং শাগৎপা, লোক লাইহৌ তোইনা তৌখি। মদু অঙৈং-অশা ওন্নরকপগী ওইবা জাৎনি। মতম অদুদা ঐখোয় অদু য়ৌনা খঙখিদে। নুমিৎনা নুংথিলদা ঙাংলি ঙাংলি তৌবসিদা য়াওশং নকশিল্লক্লে, লমতা থাংজা য়ৌরক্লে হায়বা খংঙি। য়াম্না নুংঙাইখিবদি য়াওশং লাক্লে হায়বসিনি। অঙাং ওইরিঙৈদা কিবসিনা অমুক লমতা থাংজা অহানবা লাকপসিনি। ইমানসু,অবোক্লসু লমতা থাংজা অহানবগী ৱারী য়াম্না লীখি। হেঞ্জুনহানা লাইরৌলেম্বী উন্নবা চৎপগী ৱারীনি। মমানা চৎথোক্কনু হায়রম্মী অদুবু লাইরৌলেম্বী উন্ননীংবনা হেঞ্জুনহানা মখুৎতা কাংজৈ কাংহু পায়রগা নুমিদাং কোয়থোকলকপদা লমলোং অহুম ফাংবদা শারোই-ঙারোই, লাই ফত্তবা ময়াম খুনি দন্নবা থেংনরম্মী। হেঞ্জুনহাবু উবদা কৌশিন্দুনা খুন্দিন্নবদু য়াওহল্লি। হেঞ্জুনা অহানবদা, লৈরম্লিবা ময়ামদু শারোই-ঙারোইনি হায়বা খঙলমদে। ময়াম অদুনা অচা-অথক চাননবা য়েল্লকপদা হেঞ্জুনহাদা তাইবঙমীগী খুৎনাওবী খুৎশা চাননবা থুংঙি। মতম অদুতদা হেঞ্জুনহানা মহাক লাইয়াম ফত্তবা মরক্তা য়াওরে হায়বা খঙলদুনা মফম অদুদগী থুনা য়াঙনা চেল্লকখি। লাইয়াম্না মাবু ফাগদবগী তান্নরকই। মহাক্লা কাংজৈ কাংহু হাই হাইদুনা লাকপদা লাইয়াম্না মাবু ফাবা ঙমখিদে কোম্হোং চোংলকপদা মখুৎতগী কাংজৈ পন্দুনা তাহৌখি। কাংজৈ য়াওদ্রবদা হেঞ্জুবু লাইয়াম্না ইচুম তাফমদা ফাদুনা হাৎখি। মসি লমতা থাংজগা মরী লৈননা ইমানা অমদি অবোক্লা হেক হেক লীখিবা ৱারীনি। ৱারীসি মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শীনবা থুংনা মীপূম খূদিংমক্লা লীনবা, তানবা অমদি খঙনবা ফুঙ্গা ৱারীনি। ৱারী অসি তাবদা ঐখোয় কিখি। হেঞ্জুনহাদা থোক্লিবা থৌদোকসি অহানবা লমতা থাংজাগী নুমিদাংনি অদুনা লমতা থাংজাসি অঙাং ওইরিঙৈদা অমুক্কা হেন্না য়াম্না কিখি। য়ুমদগী চৎথোক্লুরখিদে।

হেঞ্জুনহাগী ৱারীসি নুংশি-নুংওলগী ৱারীনি। য়ূমগী অহল-লমন্না অঙাংশিংদা লীবিখিবদু কনাগুম্বনা অঙাংদা নুংশি-নুংওল ৱারী লীদুনা তাহল্লি হায়না হায়নখিবা য়াওখি। অদুবু ঐখোনা ৱারী অদু অঙাং ওইরিঙৈদা তাখিবা মতমদা নুংশি-নুংওল ৱারীনি হায়বগী ৱাফম থোইনা খন্নখিদে। ঐখোয়না খল্লিবদি চৎথোক্কনু হায়রগা চৎথোকলুবদা শারোই-ঙারোই,লাই ফত্তবনা হাৎখি হায়বসিনি। ইশম শম্না হায়রবদা মতম অদুগী মীরোন্না ফত্তবা ৱারী অসিদা করিসু খন্নখিদে। অহোয়নদুম লমতা থাংজগী মরুওইবা অদুনা হেন্না লূম্না লৌনখি। য়াম্না নুংঙাইখিবা অমনা, লমতা থাংজা লাকপসিদা ঙাপ্রুম ফারগা বাল্টিন নৎত্রগা পাত্র অমদা ঈশিং হাপ্তুনা তিংলগা মহী অদুনা কোক্তা লুনবগী থৌরাং তৌনবা অদুনি। ঙাপ্রুম মহীনা ইরু-লুজবগী মরমদি, লাই ফত্তবনা ফাবদা ইশাসি শ্রিৎ শ্রিৎ নাম্হোক্লবনি হায়বগী থাজনবা অমা লৈখি। অতোপ্পা হায়নবা, থাজনবী অমনা ঙাপ্রুমদি লাইগা পক্লদে হায়বা অমগা লৈরি।



লৈকাইগী ইচে ইচলশিংনা ইরুজবদা ঈশিংদা য়ানশিন্নবা ঙাপ্রুম মহী লৌবা লাক্লে । খুজাইদা, চাইশেলদা ঙাপ্রুম মহী খজিত্তুং হাপ্লগা থুংনবা ইচে ইচলশিংদা পীখি । ঈশিংদা খজিত্তুংবু য়ানখ্রবদি অদুম য়ারে হায়না লৌনৈ। মখোয়দগী ঐখোয়না অমুক চেংহী নীখি। অদুম পীনৈ। ফারকপা ঙাপ্রুম ইমুংদা পুশিন্নদে, তৌহৈদে হায়নৈ। নুপামচাশিংনা ঈশিং কংশিল্লবা পুখ্রি নৎত্রগা খোংবান্দা কূম্লগা খুৎ হুমদুনা ঙাপ্রুম তাল্লি। ঙাপ্রুম অচৌবা ফাবা ঙম্নদে। তিম্ব্রোক মপী অমুক চাওবা ঙাপ্রুম অমা ফংলবদি মদুসু কান্নে। লমতা থাংজাগী কোক্তা লুনবা ঙাপ্রুমদি, পীকপা চাউবা থোইনা য়েংনদে মচা ওইরবসু অমবু ফংলবদি মদুগী মমল য়াম্লে। ঐখোয় নুপামচা খরদি লমতা থাংজা ময়া ওইরকপা নোংমা নিনি ৱাৎলিঙৈদা খোংবানগী ঈশিং থিংজিন্দুনা শিৎতোকলগা থরোই খুনবা, ঙাপ্রুম ফাবা তৌরকই । ঈশিং শিৎনবা খুৎলাইসি স্টোভ হায়, চুমব্রা লানব্রা খঙদে। মীগী লমদা করি কৌনবজাৎনো খঙদে। লম লমগী খঙনবা, কৌনবা লোল হায়দুনি। মদু পায়রগা ঈশিং কংনবা শিৎলি। লৈকাইগী ইমা-ইবেল, অহল-লমনশিংনা অমুক লম্বী লমলোং ফাংবদা শারোই খাংঙি, লাই ফত্তবশিংগী চাকথাক হুল্লিবনি হায়দুনা মনা মশীংনা পৌনা পৌনা, চাউনা চাউনা শীংজু ময়ান অমা শোইরগা লা লাতোনদা থাদোকই। তীনমু-লাইমু ফত্তবা হাওরৈ খানা পাংদবা চৎলো হায়দুনা তেম পায়দুনা ময়াম পূন্না জগোয় শাই। মদু উরগা ঐখোয়না কিদুনা চেল্লকখি। শারোয় খাঙবা ওক্লবা ফত্তে হায়দুনা উদনবসু হোৎনৈ।

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদদি লৈরক খুল্লকশিংসু ৱাপল উপল য়াম্না লৈনৈ। ইশোঙ শোঙঙি । তুরেল মপান্দা চৎপকাসি য়াম্না লাপ্পা খল্লি। লৈরক্তা মী চৎপকাসি কয়া উদে অদুনা ইথন্তা কিদুনা চৎনদে মী হৌদুনা চৎনৈ। নুমিৎ তারকপসি খংমম মমলকই। লম্বী লমজাওদা মৈ অমত্তা উদে লম্বী লমজাওদি লাইরদনা মাঙ্গোল থাউমৈ ফাওবা ঙান্না থান্নদে। মাঙ্গোলদা নুমিদাংৱাইরমগী লাই থাউমৈ কৎপগী মল্লি মল্লিবা লার্টেনগী মাঙালদা উবা অদুখত্তনি। মল্লি মল্লি তৌরকপদা কাঙশিংনা পাইথোক্লরকপগী মখোলশিং ঈশৈ ঙঙবদৌনা ফজনা হৌনা তাখি। মাঙ্গোল অমদি ইমুংদা চঙবদা কাংগা থেঙ্গাইনবা ইশাদা খঙঙি। কাঙ লৈরে হায়দুনা হৌজিক ফংলিবা কাঙ হিদাক গুটনাইদ, টোরটোইজ মতমদুনা লৈতবনিনা ফি মচেৎ,বোরা মচেৎ মৈ থাদুনা কাঙ তাম্হোক্লবা হোৎনৈ। ইমানা, লমতা থাংজনি তৌহৈদে হায়খিবদুনা মমশিল্লক্লগা হেন্না কিবা হেনগৎলকখি। নুমিদাংৱাইরম ইমানা দুকানদা, পোৎফমদা থাও-থুম লৈবা চৎখিবদা, ঐখোয় ইচিল ইনাওনা কিদুনা ফি অমনা পূন্না ইনমিন্নরগা নিংশা ফুনবা মখৈ ইমা হল্লকপা ঙাইখিবগদু নীংশিংলকই।

হৌজিক্কী চাউখৎলক্লবা মতম অসিদা, ঙসিগী অঙাংশিং ঙাপ্রুম ফাদুনা লমতা থাংজগী ইরুলুজনবগী ৱারী শাবা তাদ্রে। ঙাপ্রুমগী মহীনা কোক্তা অমদি হকচাংদা তৈদুনা ইরুজবগী ৱারী লীরুবদা অপঙবনি, ঙাহিং নম্নবনি নোক্লবীরে। লম্বী লমজাও, লৈরক-খুল্লক, কনাগী বাদরুম লেট্রিন ফাওবা, এল ই ডি বল্ব থান্দুনা পূমঙান ঙান্নরবা মতম্নি। অকীবা হায়বসি মচেৎ অমত্তা লৈত্রে। লাই লৈত্রে হায়না লৌনরে। ইমানা দুকান চৎনবা পাখোন শিরকপদা নুমিদাং চৎথোকপদা থাউমৈ পুদোন লার্টেন পায়রগা চৎখি। নুংশিৎ শিৎতুনা মৈ মুৎখিবদা কিদুনা কন্না লাওরগা য়ূম তান্না চেল্লকপা য়াওখি। মতমদুদা টোর্চলাইদ ফাওবা য়ূমথোং খূদিংগী পায়নরমদে, লৈনরমদে। মৈনম থাউমৈ পায়বা অমা লাকপা উরবদি মহাক্কী মতুং ইন্নদুনা চৎমিন্নরকপগী ৱারী ইমাহোয়নসু য়াম্না লীবীখি। ঐখোয়সু অঙাং ওইনা খরা খরা খঙবগুম, থেংনখিবগুম্নকাসু তৌরি। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা, লমতা থাংজা নুমিৎকী নুমিদাংসে পূমচিক চিকপগুম তাখি। ঙসি ঐখোয়না তারিবা অহৌবা মোটোর বাইক্কী মখোল, গাড়ি থৌখিবগী মখোল অমত্তা অঙাং ওইরিঙৈদা তাবা ফংখিদে। পোৎ পুরকপা ষণগাড়িনা লম্বীদা চৎপদা, য়াম্না লূম্না ৱানা চীংলকপদা, থাউ ৱাৎলবা গাড়িগী চাকানা ধোরাগা তক্লবগী অহৌবা মখোলনা কনাগুম্বা মী অমনা কপ্পগুম লাপ্পা তাখি। হুইসু কপ্পা খোংঙি, থাপ্পা লমহুই খোংবসু তাখি। নুমিদাংদা মিং পন্দুনা কৌবা ফৎতে হায়না কৌহলক্তে। নুমিদাংদা কনাগুম্না কৌরকপদা 'হাও' হায়নসু খুমগনু হায়না ইমানা হায়খি। হেন্না কিখিবদি কনাগুম্বা অমনা নুমিদাংদা মপান্দা কৌরকখিবা মান্না তাদুনা থোঙ হাংলুরগা মপান থোক্তুনা য়েংলুবদা মী অমত্তা লৈরমদবা উরগা হেন্না কিখি।

হৌজিক্তি পূম্নমক ওল্লে। লমতা থাংজা কয়া হৌখি। হৌখিবা লমতা থাংজা অমমগী ৱারী অমমম্নি । মতমনদি পুরকই লমতা থাংজা অমা অমুক। থংননা লৈমিন্নগদৌরিবসি য়াওশংনি। অহৌবা থাবল চোংবগী থিনগৎনরকপা ধোনগী মখোন্না লৈরক লমজাও নীল্লরগনি। লম্পাক্তা চোংনরম্বা থাবলনা লম্বী লমজাও থৎলগা চোংনরক্কনি। থাবল চোংবা লোইরমদাইদা নিত্যাইপোৎ লাওরকপগী নুংশিবদসু তাখিদবা কুইরে। নিত্যাইপোৎ লৌদনা থাবল অদুম লোইশিন্নরে। ধোন সাইদ্রম মরোলগী মহুৎতা কু কু লাওবা মকূ খোংবগী মরোলসু হাপ্পরক্লি । অঙাং ওইরিঙৈদা কিখিবা লমতা থাংজা, তাখিবা য়াওশংগী নুংশিবা মাইক্কী মখোলদু মতমগী নুংশিৎনা লাপ্পা পুখিবগুম তৌরি। মতমদু নুংশিরকইদা ।

– *মাখোনমনি মোংসাবা*

# পেনাগী মখোল

**অথাপ্পদা** নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল তারি। মরক মরক্তা অহৌবা বোম মখোল অমা অনীসু তাই। য়াচঙবগা থাবলসু হাইরপ ফরি। বোম মখোল তারগা রাজেন্না হায়,

– ঙসিদা লাকপা লম্বী শেম্বা কাঙবুশিংসি কিররিনিদা মমা!

তাল্লক অদুদা খোঙউপ মখোল খরগী মতুংদা রাজেনগী য়ূমগী থোঙদা দং-দং-দং থিল্লকই। থোঙদু হঞ্জিন হঞ্জিন থিল্লকই।

– থোঙ হাংও থোঙ হাংও!

মন্থরবা থোঙদু মপান্দগী মখোয়না থিল্লকপদা থোক থোক নোম্বোইনা তৌই। রাজেনগা মাগী নুপী কৈনাতোম্বীগা ৱাদি ঙাঙনদনা অমগা অমগা য়েংনৈ। রাজেন্না নুপী নঙনা হাংবনা খরা ফরনি হায়বগী মওংদা কৈনাতোম্বীদা মীৎচিনা ইঙ্গিৎ তৌবদগী কৈনাতোম্বীনা মিহুল দং-দং চোংনা থোঙ হাংই।

মশক খঙদবা নুপা অনী থোঙজিল মপান্দা লেপ্তুনা লৈরমই। অমদি য়াম্না ৱাং চাউরমই। কৈনাতোম্বী স্বাই লাউই। মমিৎ মনা য়ুংখৎলি। রাজেনসু কল্লাক পংনীক্তা নীকই। নুপা অমনা মখোল লূম্না লৈবাক মচা তানা হায়রকই,

– পাবুংগী শঙ্গোইদা খাল্লিবা স্কুটর অসি অমুক্তা ৱায়জগেবা?

– এ এ ইবুংঙো উইস! ৱায়বা য়ারোই অসিদি লমসিদদি ৱায়গে হায়বিনু।

– ওইশ, পাবুং তৌবিনুদা, য়াম্না কুইগদবসু নৎতেদো, থাবলগী মঙালদা স্কুটর অসি উবদগী ঙাইহাক্তং থবক অমগী ৱায়জগে চঙলকপনি।

কৈনাতোম্বীনসু রাজেনগী মতেং পাংদুনা হায়জরকই,

– ইচাশা! স্কুটর অসিগী ওইরদি নখোয়না ৱায়বা য়ারোইনে, অতৈ অতোপ্পদা হংবিরুরো ইবুংঙোখোয় কো।

নুপা অমনমুক য়াম শাউরংননা হায়রকই,

– হেরা, ইমা, ঙাইহাক্তনি ৱায়জগদৌরিবসি, ফিভম্না য়াদদুনা তৌবনি। ঐখোয়গী অরুবা খূৎলায় অমা কাউরম্লে অদুগীনি, পাবুং।

রাজেনগা কৈনাতোম্বীগা নুপাদুগী খোন্দাদুদা খংপ্রেকপু খংলমই। লৈমায়দগী খংচোং চোংখৎপদৌনা তৌই মশাশিংদু।

রাজেন্না ঈংনা তপ্পা হায়রকই,

– ৱায়য়ু ৱায়য়ু য়ানি ইবুংঙোখোয়!

কৈনাতোম্বীসু মখোল নীক্লা হায়রকই,

– হোয়, হোয় ৱায়য়ুনে ৱায়য়ুনে... নখোয়নবু ৱায়নীংলবদি।

– তো অদুইদি, পাবুং নচাখোয় য়াম্না নুংঙাইজরে, থাগৎচরি। অদুগা পাবুংগী নোইবা ফনবা হীদাকসু হোরেল ঐখোয়না তাকচনি পাবুংদা।

নুপা অনীদুনা রাজেন্দগী শো লৌরগা শঙ্গোয়দগী স্কুটর অদু শুমাঙদা তপ্পা ইস্থরগা হরাউনা কিক কাওই। ষ্টার্ট হৌদে। অহানবা ষ্টার্ট হৌদবদু মখোয় করিম খনবা মান্দে। কুন-কুন্থ্রারক কাওবফাওবা ষ্টার্ট হৌদ্রে। য়াঙ্খে-হুম্ফুরক হঞ্জিন-হঞ্জিন কাওবফাওবদসু স্কুটরদু ফুৎ ফাওবা লাওদ্রে। অশিববু তূম্বা হৌদোকপগা চপ মান্নরে। মশা ফবা অমদুনমুক শিন্দুনা কাওই ষ্টার্ট হৌদ্রে। খুদাংনা লাইবক্কী হুমাং তৈথোক্লগা মুজাউ চাউবা রোল্লর থৌবা মানবা নুপাদুনা হায়রকই,

– পাবুং, পাবুংগী গাড়ী অসিবু কমাইনা ষ্টার্ট হৌহনগে। অমুক্তা হায়বিয়ু।

মখোল নীক্লা কৈনাতোম্বীনা হায়রকই,

– ইমানবু ঙসাইনা নবানীদা হায়বিদ্রো গাড়ীসে ৱায়বা য়ারোই য়ারোই হায়দনা! হৌজিক্তি নপুম থীৎলেদো ইবুংঙোশা!

– করিনোনে ইমানা হায়বিরিবা ৱা অসিবো?

– ইহে, ইমানা হায়দি নখোয়বু শাউনুনে। নখোয়না হৌজিক থৌগে লাক্লরিবা স্কুটরদো নখোয় পাবুংগী মশা নোয়খৎপা ফনবা, হুমাং লৌথোক্লবা শাজেল ওইনা অয়ূক খুদিং কিক কাওদুনা শান্ননবা থম্বা স্কুটর অমনবনে অমনবা! ইবুংঙোখোয়!

রাজেন্না অমুক ওক্লকই,

– মনুংদা মচাক্কা শুনা য়াওপোৎত্রেদা ইবুংঙোখোয়!

– *য়েনদ্রেম্বম রনধির কুমার*

# সেলুংজাওগী ইন্টরভিয়ু

**"সেলুংজাও য়াওব্রা? চঙলকও।"**

সেলুংজাও পোলি পোলি চঙলকই।

"ময়াম্বু খুরুমজরি।"

"ফম্মু ফম্মু। নঙগী ক্লাস কয়ানো?

"সার ঐদি লাইরিক হৈজদে।"

"এ! শিদা নহাক ক্লাস আইট পাস তৌরে হায়দনা সার্টিফিকেট হাপ্লিসিদি?"

"সার থবক অসি চঙনবগীদমক্তা হাপ্তুবা য়াদে হায়বদুদা শেল তিংনা লৈজরুবনি।"

"উম! নঙ নপুকচেল ফাওবদি শেংইহে। অদু ঐনা পায়রিবা কলমসে ইংলিসতা করি হায়? অমুক্তা হায়রকউ।"

"সার দোরিক।"

"মুকসিনা করি হায়বা?"

"সুপ্রা, সার।"

"য়ারে-য়ারে। অদু নঙ থবকসি চঙনবা কনাদা শেল কয়াম পীখ্রবা?"

"সার শেলদি পীজদে। ঐখোয় কেন্দ্রগী এম এল এদা লৌ লৌরাক অমা লৈজবদু শান্নবুং শেম্নবা কখোকচখ্রে। থবক্কী ইন্টরভিয়ু অসিসু নহাক্লা ফমদা ফম্মুচো থবক্কীদি শোয়ররোই হায়দনা লাকচবনি।"

"লৌগা থবক্কা ওন্নগদৌরিবনিনে। লৌ উরগা, মদুদগী ফংবা পোখোক অদু চার-থল্লগা ননীং তম্না লৈবদু নুংঙাইত্রে, গ্রেদ ফোর হায়বদি পিওন ওইরগে শীনিনে।"

"সার তোলোব চাবসিনা খরা ফগদ্রা, ময়ামগী মীরক তিনবা য়াগদ্রা তৌজরিবনি।"

"থবক মচা তৌবা হায়বসিদি মীগী খদাং মখাদা হিংবনি, নঙবু হৈনগদ্রা?"

"হৈনরদ্রা হায়না খঞ্জরদুনা তৌজবনি।"

"মীনদি লৌমী সেলুংজাওগা পিওন সেলুংজাওগা অনীসি লৌমী সেলুংজাওনা হেন্না ইকায়খুম্নবা উৎকনিকো।"

"সার ঐ খঙজে, তলব হায়বসিনা তীল তাদে, অহিং তূমদে হায়নৈদো।"

"প্রমানকদি য়াইহে, য়ারে, য়ারে থবক্কী ফল হায়দোরকপা ঙাইরুরো চৎলো।"

"খুরুমজরি সার।" সেলুংজাও থোকখ্রে।

"গ্রেদ ফোরগীদি অসিগুম্বা অসিনবু ফরবা জাৎনিদা। হায়বা ইন্নি, লাইরিক হৈরবনি হায়দনা তৌরিবশিংনা মরৈ মরা তৌখিবসিনা।"

"মথং কৌশিল্লু, শৎ শৎ লোইশিনসি। মালহনবী, তৌশিন্নবী দ্রামাসিদা মতম য়াম্না মাঙহনগুমসি। ঐখোয়না তৌরিসে খনবা লোইরবা থবক্কী ইন্টরভিয়ুনি।"

"ইন্টরভিয়ুনা ঐখোয়না তৌই, থবক্লা মন্ত্রিনা খল্লি। খনগদৌবা লিষ্ট শেম্বা লোইখ্রে। ঐখোয়না তৌরিবসি, তৌশিন্নবনি, লিলা শান্নবনি, কুম্মৈনি, মসিসু ময়াম অমনা থাজনা য়েংলি। খল্লুরগা নোকপু নোক্লিংবা জাৎনি।"

থানিলজাও চঙহল্লকও।"

– *ভোরোত সনসম*